# উরিষ্য ভিজিলেন্সনা ষ্টেট পুলিস হাউসিং কোর্পোরেসনগী ক্রোরপতি দেপ্যুটি মেনেজর ফারে



ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): উরিষ্য ভিজিলেন্সনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উরিষ্য ষ্টেট পুলিস হাউজিং এন্দ ৱেলফেয়র কোর্পোরেসন লিমিটেদকী দেপ্যুটি মেনেজর প্রতাপ কুমার সামাল মশাগী ইনকম সোর্ছশিংগা চানদনা লন-থুম পৈশিনবগী মরালদা ফাখ্রে।

ভিজিলেন্স স্ল্যথশিংনা ক্রোরপতি সামালগীনি হায়বা লুপা ক্রোর ১৪.৮৭কী ওইগদবা এসেটশিং অমসুং প্রোপর্টি দিটেক্ট তৌখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা বেলেন্স শেনফম লুপা ক্রোর ১.৬১ ফাজিল্লবা মতুংদা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফ্রীজ তৌখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, ভিজিলেন্সনা থেংনরিবা প্লোট ২৫গী রিলেটিভ ষ্টেন্দর্দ দিভিএসন (আর এস দি) ভেল্যু অসি লুপা ক্রোর ৩.৪১নি। মহাক্কী লোয়নবী সাসমিতা সামালগী মিংদা গোথাপটনাদা শারম্বা মথোল মঙাগী বিল্ডিংগী ভেল্যু লুপা ক্রোর ৩.৮৯দা লেপখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উরিষা ভিজিলেন্সকী স্ল্যথশিংনা সামালগী প্রোপর্টিশিংদা রেইদ চথুখি। রেইদ অদুদা মহাক্না শেনগং ওইনা লুপা লাখ ২০ খাও অমদা হাপচিল্লবা মতুং অনকপা বিল্ডিংদা লংশিল্লগা লোৎনবা হোৎনখি। ভাদরক দিষ্ট্রিক্টকী বাসুদেভপুরদা মহাক্কী প্লোট মঙা অমসুং বিল্ডিং অমা লৈরমখি। ভুবনেশ্বরদা প্লোট ১৭ অমসুং খুর্দাদা বিল্ডিং অনীসু লৈরমখি।

ভিজিলেন্স স্ল্যুথশিংনা রেইদ চথুখিবা মফমশিংদি- ভুবনেশ্বরগী আই আর সী ভিলেজগী প্লোট নম্বর এন/৬-৪১৬ তা শাবা মথোল অহুমগী বিল্ডিং, সিটি অসিগী জয়াদেভ ভিহারদা লৈবা মা ভগাবতি টেম্পল, বিজু পটনাইক কোলেজগা মায়োক্নশা শাবা মথোল তরুক্কী বিল্ডিং, ভুবনেশ্বরগী সারাকান্তা, খন্দাগিরিদা শাবা মথোল অমগী বিল্ডিং, ভাদরককী বালিসাহি, বাসুদেভপুরদা শারম্বা অনায়া তৱার্স কৌবা মথোল অহুমগী এপার্টমেন্ট, বালাসোরগী হরিপুর, সিমুলিয়াদা লৈবা মহাক্কী হৌরকফম য়ুম, বালাসোরগী হরিপুর, সিমুলিয়াদা লৈবা মহাক্কী মরী-মতাগী য়ুম, ভরানেশ্বরদা লৈবা উরিষা ষ্টেট পুলিস হাউজিং এন্দ ৱেলফেয়র কোর্পোরেসন (ও পি ঐচ দব্লিয়ু সী) দা লৈবা মহাক্কী ওফিস, মহাক্কী লোয়নবী সাসমিতা সামালগী মিংদা ভুবনেশ্বরগী গোথাপটনাদা শারম্বা মথোল মরিগী বিল্ডিং, সিটি অসিগী আই আর সী ভিলেজ, নয়াপালিদা শারম্বা মথোল মরিগী বিল্ডিং অসিনি।

দেপ্যুটি মেনেজর অসি কুমজা ১৯৮৭তা বারাপাদা স্কুল ওফ ইঞ্জিন্নীয়ারিং, ভদরকতা সিভিল ইঞ্জিন্নীয়ারিংদা দিপ্লোমা লোইখি। মহাক কুমজা ১৯৮৮গী ওগষ্ট ১৪দা উরিয়া পুলিস হাউজিং এন্দ ৱেলফেয়র কোর্পোরেসনগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা হেদ ওফিসতা জুনিয়র ইঞ্জিন্নীয়ার ওইনা জোইন তৌখি।

কুমজা ২০১৩দা দেপ্যুটি মেনেজরগী রেঙ্কতা প্রমোত তৌরবা মতুংদা রুরকেলা, বোলাঙ্গির, কিওঞ্জার অমসুং কটককতা থবক তৌখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৯দা ভুবনেশ্বর ওফিসতা জোইন তৌখি।

## অসামগী তুংগী থৌরাংশিং খন্নখ্রে

গুৱাহাটি, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী): অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মানা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা ষ্টেট অসিগী তুংগী ওইবা থৌরাংশিং খন্নখ্রে। চীফ মিনিষ্টর সর্মা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎ অমদা ন্যু দেল্লীদা লৈরিবনি।

অসামদা পায়খৎলিবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা ৱেলফেয়র প্রোগ্রামশিংগী প্রোগ্রেস চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টরদা খঙহনখি। কোভিদ ভেক্সিনেসন কোভরেজ হেনগৎনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংসু মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা খঙহনখি। ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসন মনুংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা অলফা-আইগী চীফ পরেশ বারুৱাদা ৱারী শাননবা আপীল তৌখিবনি।

# হেল্থ রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌনবা সেন্টরনা দিজিটেল মিসন হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অয়ুশমান ভারত দিজিটেল মিসনগী মখাদা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং অমসুং দোক্টরশিং দিজিটেল রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট সেক্রেটরিশিং অমসুং হেল্থ মিসনগী দিরেক্টরশিংদা থাবা লেট্টর অমদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মিসন অদুদা মসিগী হেল্থ ফেসিলিটি খূদিংমক্না শরুক য়াহন্নবা খঙহনখি।

থৌরাং অসিগী মখাদা হোস্পিটাল, ক্লিনিকশিং, লেবোরেটরিশিং, ফার্মাসিশিং, রেদিওলোজি সেন্টরনচিংবা হেল্থক্যের ফেসিলিটি ফংহল্লিবা হেল্থ ফেসিলিটি পূন্নমক্তা দিজিটেল মিসনসিগীদমক রেজিষ্টার তৌনবা হায়জরি হায়না লেট্টর অদুদা পনখি।

হেল্থ রেকোর্দশিং দিজিটেলাইজেসন তৌবগী মিসন মখাদা হোস্পিটাল ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম সোফৱেয়র শীজিন্ননবা পাউতাক পীরি। সেন্টরনা হোস্পিটালশিংগী হেল্থ রেকোর্দশিং দিজিটেলাইজেসন তৌবগী সোল্যুসন অনীসু পীরি। সোল্যুসনশিংদুদি- এন আই সী (নেসনল ইনফোর্মেসন সেন্টর) গী ঈ-হোস্পিটাল অমসুং সী-দি এ সী (সেন্টর ফোর দিভলপমেন্ট ওফ এদভান্স কম্প্যুটিং)গী ঈ-সুশরুটনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৭তা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা অয়ুশমান ভারত দিজিটেল মিসন লোঞ্চ তৌখিবনি। মিসন অসিগী মখাদা ইন্দিয়ন খূদিংমক্না মশা মশাগী হেল্থ রেকোর্দশিং লিঙ্ক তৌবা হেল্থ একাওন্ট অমা ওইনসু মথৌ তৌদবা য়ুনিক হেল্থ আই দি অমমম ফংগনি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাভিয়ানা অয়ুশমান ভারত- প্রধাণ মন্ত্রি জান আরোগয়া য়োজনা (এ বি পি এম-জে এ ৱাই) কী অহুমশুবা কুমওন নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২৫দা আরোগয়া মনথন ৩.০ হৌদোক্লদুনা হায়খিবনি মদুদি, প্রধাণ মন্ত্রি জন অরোগয়া য়োজনানা ইন্দিয়াগী হেল্থক্যের সিষ্টেম অপূন্বা পুন্মৌ নৌনা শেমদোক্লে।

হৌখিবা চহী অসিদা স্কিম অসিনা খ্বাইদগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ২.২দা কান্নবা ফংহনখিবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। ইনিসিএটিভ অসিবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক নেসনল হেল্থ ওথোরিটি (এন ঐচ এ)দা শিন্নরি।

# নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমশিং থেংননবা গোৱানা স্পেসল পিঙ্ক ফোর্স লিংখৎলগনি



পানাজি, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমশিং থেংননবা গোৱা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট পুলিস দিপার্টমেন্টতা স্পেসল পিঙ্ক ফোর্স অমা লোঞ্চ তৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পানাজিদা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী ট্রেনিং প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙলদুনা সৱান্তনা গোৱা পুলিসনা অথুবা মতমগী মনুংদা ক্রাইম থিংনবা ট্রেন তৌজগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর সৱান্তনা হায়খি, ক্রাইম থিংবগী মতাংদা ঐহাক্না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ক্রাইম) গা ফম্মিন্নদুনা মরু ওইনা নুপীশিংগী সেফটিগীদমক্তা ঐখোয়না লৌখৎপা মথৌ তাবা চেকশিন-থৌরাংশিং অমসুং অনৌবা ইনিসিএটিভশিং খন্নরে। ঐখোয় অসিগুম্বা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

হোম দিপার্টমেন্টনা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোক্কনি। এৱেয়রনেস পীবা অমসুং গাড়ীগী মতাংদা ঐখোয়না পীবা য়াবা মতেং পূন্বা পীগনি। ঐখোয়না মরু ওইনা নুপীশিংবু খুদোংথীবা নংহন্দনবা পিঙ্ক ফোর্স হায়বদি পিঙ্ক ফিমেল ফোর্স অমা লিংনবা খন্নরি হায়না সৱান্তনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, নুপীশিংগী সেফটি অমসুং ক্রাইমশিং থিংনবা কেরলা অমসুং দেল্লীগুম্বা ষ্টেটশিংনা মখোয়গী পুলিস দিপার্টমেন্ট ষ্ট্রকচরশিংগী মনুংদা অসিগুম্বা পিঙ্ক ফোর্সশিং শেমখ্রবনি। নুপীশিংবু অশোয় অঙাম নংহন্দনবগীদমক্তা অথুবা মতমদা হোম দিপার্টমেন্টনা ইনসিএটিভ কয়া পুথোক্লগনি।

ক্রাইম দিটেক্সনগী চাং অসি লৈবাক অসিদা গোৱানা ইৱাং ৱাংই হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি অমসুং ক্রাইম থিংবদা হেন্না মীৎয়েং চঙনবা মহাক্না ষ্টেট পুলিসতা তকশিনখি।

মহাক্না হায়খি, গোৱানা ক্রাইম থিংবগী থবক্তা মীৎয়েং হেন্না চঙগদবনি। পুলিসনা ক্রাইম দিটেক্সনগী থবক তৌরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না করম্না ক্রাইম থিংগদগে হায়বসিদা মীৎয়েং চঙলসি। মসি ওইথোকপা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## দেন্টিষ্টনা নুপী পেসেন্ট অমা রেপ তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী): দেন্টিষ্ট অমনা মশাগী চহী ৩২ শুরবী পেসেন্ট নুপী অমা ইঞ্জেক্সন থারগা ৱাখল তাহন্দ্রবা মতুংদা রেপ তৌখ্রে। উত্তর প্রদেশকী বরেল্লি দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তা থোকখিবা থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা খঙনরকখিবনি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, দেন্টিষ্ট অদুনা থৌদোক অদুগী ভিদিও অমসু কাপখি। একুজ দেন্টিষ্ট অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাখি। এস পি (সিটি) রভিন্দ্র কুমারনা হায়, ভিক্টিম অদু য়া অমা চিকপা-নাবা তৌবদগী ওক্টোবর ১৬তা সাইদপুর হোকিন্স লোকেলিটিদা লৈবা দেন্টেল ক্লিনিক অমদা চৎখি। ক্লিনিক অদুগী দেন্টিষ্টনা মঙোন্দা য়া অমা শৎপা মথৌ তারে হায়খি।

দেন্টিষ্ট অদুনা মখা তানা নুমিৎতুগী খরা থেংলকপদা নুপী অদু কৌখি অমসুং দেন্টিষ্ট অদুনা মহাকপু ইঞ্জেক্সন কাপ্পগা ৱাখল তাদনা লৈহনবগা লোয়ননা য়া শৎখি অমসুং রেপ তৌখি।

নুপী অদুগী মপুরোইবনা থৌদোক অদু খঙলকপদগী নভেম্বর ৩দা ইজটনগর পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি।

এস পিনা হায়, নুপী অদুগী মেদিকেল ইগজামিনেসন পাঙথোকখি অমসুং প্রিলিমনরি ইনভেষ্টিগেসনদা দেন্টিষ্ট অদুনা মহাক্কী পেসেন্ট ওইরিবা নুপী অসিবু রেপ তৌখি হায়বসি কনফর্ম তৌখি।

## বসকা ত্রোলিগা থেঙ্গাইনবদা ১২ শিরে

জয়পুর, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রাজস্থানগী বারমর দিষ্ট্রিক্টকী জোধপুর নেসনল হায়ৱেদা ত্রোলি অমগা থেঙ্গায়নবদা বস অমা মৈ চাকখিবগা লোয়ননা মদুদা তোংলকপা মীওই ১২ শিখে অমসুং অতে ৪০না অশোক অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরিক্ল।

পুলিসকী মতুং ইন্না, অশোক-পশিংদু গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অদুনা ফিভম লুরবা ভিক্টিম ১৩ জোধপুর হোস্পিটালদা রিফর তৌখি।

উহৌবশিংনা ফোঙদোরকপদা, মৈ চাক্লবা বস অদুদগী মৈখু কাবা উখি। পাচপাদ্রা, বালোট্রা অমসুং বারমর রিফাইনরিদগী ফায়র বৃগেদশিং চঙশিন্দুনা চাক্লিবা মৈদু মুথৎনবা হোৎনখি।

মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা নত্তনা ফায়র ফায়টরশিং অমসুং পুলিসনা পেসেঞ্জরশিং কন্নবসু হোৎনখি। কীনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ত্রোলি অদু মায়কৈ লান্না লাকখি অমসুং মদুনা পেসেঞ্জর কয়া তোংলিবা বস অদুদা থোমজিল্লকখি। ভিক্টিম খরগী ফিভম লুবনা অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

## কোর্টতা চার্জ-সিট সবমিট তৌদবা আই ওদা সো-কোজ নোটিস পীখ্রে

পটনা, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): কোর্টতা চার্জ-সিট ফাইল তৌখিদবনা মরম ওইদুনা গেংষ্টর অমা বেল ফংহনখিবগীদমক পটনা পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কদম কুৱান পুলিস ষ্টেসনগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) অমদা সো-কোজ নোটিস পীখ্রে।

আই ও অদুনা কোর্টতা চার্জ-সিট ফাইল তৌদবদগী শাথিরবা গেংষ্টর লুলহা বেল ফংখি হায়রি।

মেট্রর অদুবু কোগনিজেন্স লৌরদুনা সিটি এস পি পটনা (সেন্ট্রেল) রাহুল অমব্রিশনা গেংষ্টর লুলহানা মরু ওইবা একুজ ওইবা মী হাৎনবা হোৎনখিবগী কেস অমগী আই ও ওইরিবা সন্তোশ কুমারদা থিন্থবগী মরম এক্সপ্লেন তৌনবা খঙহনখি। আই ও অদুনা চার্জ-সিট অদু অপীবা মতমগী মনুংদা ফাইল তৌখিদবনি।

গেংষ্টর লুলহা হৌখিবা জুলাই ২১দা পটনাদা লৈবা কোংগ্রেস মাইদান মনাক্তা থোকখিবা নিশান্ত রানাৱাট অমসুং সুভম পাথক কৌবা মীওই অনি নোংমৈনা পান্দুনা শোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা চেন্নখি। ভিক্টিমশিং অদু লোকেলিটি অদুদা প্রোপর্টি লৈবা নীরজ সিংহ কৌবা মীওই অমা উনবা কোংগ্রেস মাইদানদা চৎখিবনি। প্রোপর্টি অদু সঞ্জয় সিংহ কৌবা অমনা পায়শিল্লম্মী।

নীরজ সিংহ অমসুং সঞ্জয় সিংহগী মরক্তা কন্না চৈন-ঙাঙনরকখিবা মতমদা সঞ্জয় সিংহবু শৌগৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা লুলহানা নোংমৈ কাপখি অমসুং মদুদা নিশান্ত অমসুং সুভাম শোকখি। কদম কুৱান পুলিস ষ্টেসনদা মী হাৎনবা হোৎনবগী এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং গেংষ্টর লুলহা জুলাই ২৬তা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা সরেন্দর তৌখি।

## অফঘানিষ্টানগী মতাংদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): টালিবাননা অফঘানিষ্টান পায়শিনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম ন্যু দেল্লীদা লৈবাক তরেৎকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরশিংনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

ইন্দিয়াগী এন এস এ অজিত দোভালনা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা অফঘান মীয়াম্বু মতেং পাংনবা অমসুং কলেক্টিভ সিক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎনবা লৈবাকশিংনা অমগা অমগা কোওপরেসন পীনবা অমসুং ইন্টরেক্সন হেনগৎনবা আপীল তৌখি।

অফঘানিষ্টানগা মরী লৈননা পাঙথোকপা দেল্লী রিজনল সিক্যুরিটি দাইলোগতা দোভালনা হায়খি, মসি ইরাননা কুমজা ২০১৮ দা হৌদোকখিবা প্রোসেসকী অহুমশুবা মীফম্নি। ইরানদা ঐখোয়না অনীশুবা মীফমসু পাঙথোকখি। মদুগীদমক্তা ঐখোয়না ইরানদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি। আইদিয়া অসিবু হৌদোরকখিবা রসিয়া অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক পূন্নমক্না শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোক্লিবা দাইলোগ অসিবু ইন্দিয়ানা থৌবু ওইবগী খুদোংচাবা ফংবসি লৈবাক অসিগী লাইবক ফবনি।

ঐখোয়না মফম অসিদা অফঘানিষ্টানগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খন্নগনি। লৈবাক অদুদা লাক্লিবা দিভলপমেন্ট খূদিংমক ঐখোয়না কূপ্না য়েংদুনা লাক্লি। মসি অফঘানিষ্টানগী মীয়ামগীদা নত্তনা য়ুমথংনরিবা অমসুং লমদম অপূন্বসিগী ওইনা মরু ওই। হৌজিক অসি রিজনেল লৈবাকশিংগী মরক্তা কূপ্না তান্নবা, কোওপরেসন হেন্না পীনবা, ইন্টরেক্সন অমসুং কোর্দিনেসন হেনগৎহনবা মথৌ তাই।

হন্দক্তা টালিবাননা অফগানিষ্টানদা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবদগী লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অমসুং লৈবাক অসিনা মায়োক্নরক্লিবা শীংনবশিং লৈবাক তরেৎকী মীহুৎশিংনা খন্নখি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংদি- রিয়র এদমিরেল অলি শমখানি (ইরান), নিকোলাই পি পাত্রুশেভ (রসিয়া), করিম মাসিমোভ (কজাখষ্টান), মরাট মুকানোভিচ ইমানকুলোভ (কিরগিষ্টান), নাসরুল্লো রহমেটজোন মহমুদ-জোদা (তাজিকিষ্টান), চারিমরাট ককাললিয়েভিচ অমাভোভ (টুর্কমেনিষ্টান) অমসুং ভিক্টর মাখমুদোভ (য়ুজবেকিষ্টান)নি। পাকিষ্টান অমসুং চাইনাদি মীফম অদুদা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখি।

## পুলিস কষ্টদিদা মী শিবদগী পুলিস পর্সনল ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে

কাসগঞ্জ, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মশাগী চহী ২২ শুরবা মীওই অমা পুলিস ষ্টেসন অমদা মথন্তা শিজখিবনি হায়বা থৌদোক অমগী মতুংদা পুলিস পর্সনল ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে।

পুলিস ষ্টেসনদা মথন্তা শিজখিবনি হায়বা অলতাব কৌবা মীওই অদু নুপী অমা কিদনেপ তৌবগা লোয়ননা নমদুনা লুহোংখিবগা মরী লৈননা হৌখিবা চয়োলদা ফাইল তৌখিবা কেস অমগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং চথুনবগীদমক লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা পুলিস ষ্টেসন অদুদা পুরকখিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ত্বিটরদা থাগৎপা ভিদিও ষ্টেটমেন্ট অমদা কাসগঞ্জগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রোহান প্রমোত বোথ্রেনা মীওই অদুনা পুলিস ষ্টেসন অদুদা টোইলেট শীজিন্নগে হায়রকখি হায়না ক্লেম তৌখি। মিনিট খরা হৌখ্রবা তুংদা মীওই অদু টোইলেটতগী হল্লক্তবদগী পুলিস পর্সনলশিং টোইলেট মনুংদা চঙদুনা য়েংখি। মতম অদুদা মহাক অমুবা জেকেট অমা লিংখি। মহাক জেকেট অদুদা য়াওবা মরী অমা ৱাশরুমগী টেপতা পূনশিল্লগা মশা মথন্তা মঙকশম লৌশিঞ্জদুনা শিজনবা হোৎনখিবা মাল্লি। মহাক টোইলেটতগী ৱাখল তাদনা পুথোরকখি অমসুং হোস্পিটালদা পুখৎখি। মদুগী মতুং মিনিট ১০ মুক্কী মনুংদা মহাক শিখিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না কেস অদুদা সস্পেন্দ তৌরবা পুলিস পর্সনল ৫ অদু মথৌদা থৌশাদবগী মরাল শীখি। চৈরকসিদা অলতাবকী অপোকপা চানমিয়ানা হায়রি মদুদি মহাক্না মচানুপাদু পুলিসতা শিন্নখিবনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মহাকপু হাৎতোকপীরে।

## মীফম মনুংদা লৌমী ৫০০না ট্রেক্টর মার্চতা শরুক য়াগদৌরি



ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১০ (এজেন্সী): পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম মনুংদা নুমিৎ খূদিংগী পার্লিয়ামেন্টতা ঈংনা চিক্না ট্রেক্টর তোংদুনা চঙশিনবগী খোঙজংদা লৌমী ৫০০না শরুক য়াগনি হায়না সময়ুক্ত কিষান মোর্চা (এস কে এম)না ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম নভেম্বর ২৯দগী হৌরগা দিসেম্বর ২৩ ফাওবা চথুগদৌরিবনি। এস কে এমনা ফোঙদোরকপদা, ট্রেক্টরগী খোঙচৎশিং অদু ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং চহী অমা মপূং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নেসনল কেপিটেলদা প্রোটেষ্ট তৌনবা লৌমীশিংগী রাইট লৈ হায়বদু নৌহৌননা খঙহন্নবগীদমক নভেম্বর ২৯দগী হৌরগা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম লোইদ্রিবা ফাওবা লৌমী ভোলুন্টিয়র ৫০০না নুমিৎ খূদিংগী ট্রেক্টর ত্রোলিশিংদা তোংদুনা পার্লিয়ামেন্ট ফাওবা ঈংনা-চিক্না চঙশিন্নবা এস কে এমনা ৱারেপ লৌরে হায়না মোর্চা অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এস কে এমগী চেরোল অমনা হায়, ট্রেক্টর খোঙচৎ অদু লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা সেন্টর গভর্ণমেন্টপু লৌমীশিংগী দিমান্দ নমদুনা য়াহন্নবা প্রেশর হেন্না পীনবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নভেম্বর ২৬তা পঞ্জাব, হরয়ানা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং রাজস্থানদগী লৌমী কয়া ট্রেক্টর তেংদুনা দেল্লীগী বোর্দরশিংদা চঙশিন্নরক্লগনি হায়নসু এস কে এমনা ফোঙদোরক্লি।

মোর্চা অসিগী মতুং ইন্না এস কে এমদা য়াওরিবা ফার্ম য়ুনিয়ন পূন্নমক্না খোঙজং অসিগা মরী লৈননা লৌমীশিংগী পাঙ্গল শাগৎনবগী থবক থৌরমশিং মায় পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনগনি।


### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 387/AS & SO/III** **Date 9-11-2021**

Yengkhom Ongbi Sorojini Devi W/o Late Y. Jungindro Singh of Naoremthong Khulem Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Yengkhom Jugindro Singh S/o Late Y. Khomdon Singh of Naoremthong Khulem Leikai - O.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Imphal, 10-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 91 (A) - Lamphelpat পাট্টা নং 288 অনৌবা দাগ নং 2029 এরিয়া .0122 হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Yengkhom Jugindro Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 18-11-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer, III-Manipur**

HL-P/0610/11

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref. Mut. Case No. 594/AS & SO /30-10-21**

Naorem (O) Gambhini Devi W/o N. Ramnaran Singh of Kakching Wairi Senapati Leikai

-VS-

(L) Naorem Ramnaran Singh S/o (L) Thambou Singh of Kakching Wairi

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

30/10/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না ককচিং তহশিল খুল নং ৬১ (বি)- লৌশিপাৎ পাট্টা নং ৬১/৫১০/১৪৪ (অনৌবা) দাগ নং ৪১৩০ এরিয়া .৭৮০০ হেক্টর তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার নাওরেম রামনারান সিংহ পীং মৃ: থম্বৌ সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা তাওথবী লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবগীদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

Sd/- Asstt. Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/7275/11

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref. MISC Case No. 437/SDC/IW-L/2021**

Pukhrambam Kumarjit Singh S/o (L) P. Mera Singh of Singjamei Chingamakha Meisnam Leikai Tomal Leirak - Petitioner

-Vs-

Late Salam Chaobi Lukhrabi D/o (L) Pukhrambam Thambaljao of Lamlongei - OP/Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

10-11-2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সলাম চাওবী লুখ্রাবী পীতা মৃত পুখ্রম্বম থাম্বালজাও সাং লামলোংগৈগী মিংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৬০ দাগ নং ১১৯ এরিয়া ১.৩৭০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector: IW : Lamsang**

HL-P/0607/11

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 267/SDC/NTK/2021**

Pukhrambam Prem Singh S/o Late P. Birachandra Singh of Ningthoukhong W/No. 13 - Petitioner

-Vs-

Co-Pattadar No. 1 Late Pukhrambam Birachandra Singh S/o Late P. Modhumangol Singh of Ningthoukhong Awang - Opponent

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Ningthoukhong the 9th Nov, 2021

নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি 43-Ningthoukhong Awang গী Patta No. 43/276 (O), 349/1945 (N) C.S. Dag No. 2388/3447 Area 0.04 acre গী Ingkhol Class অসিগী Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Ningthoukhong, Manipur**

HL-P/602/11

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 340/SDC/IW (H) of 2021**

Heisnam Mani Singh S/o Late Heisnam Ibotomba Singh of Hiyangthang Maning Leikai Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Heisnam Ibotomba Singh S/o Late Mangoljao Singh of Hiyangthang O.P/বিবাদি

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 10th Nov, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল ১০৬ নং - হিয়াংথাং, অনৌবা পাট্টা ৯৭১ নং হাল দাগ ২০২৮ নং গী মোট এরিয়া ০.৪১০০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার হৈস্নাম ইবোতোম্বা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা/দংকারীনা মখোয়গী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৭/১১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/605/11

**ꯈꯣꯡ ꯍꯥꯝꯕ/খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চম্প্রা মশিংগুম্না মচা-মচা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োনগুম্না ইন্থরকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চারগনা ঈ হেন্না তারকপা অমদি অমাংথোঙদসু হেন্না নারকপা, ঈ তাখিবদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, কোক ঙাওরকপা, কাংশোয় অমদি অচম্বা চারিবমখৈ হকচাংদা নুংঙাইবা হেনবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হামদনবগীদমক্তা য়াম্নসু চাশিন্দবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চম্প্রা মশিংগুম্না পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদু ওইশিন্নবা হীদাক চারবসু, তৈরবসু ওইশিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদসু য়াম্না থুপ্পা অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদুনা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌগুম্না তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা ইনশিল্লু য়াদবা খূৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মপূং ফানা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হামদোক্তবনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **Y. Ranjana Devi** Lamsang

HL-B/7236/11